## মহারাষ্ট্রা লৈঙাক্কী ইরাং ঃ

# সুপ্রিম কোর্টকী মায়কৈদগী ৱারেপ ঙসি পীগদৌরি সেনা-এন সি পি-কোংগ্রেস এম এল এশিং পুন্দুনা লৈরি






মুম্বাই, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি): মহারাষ্ট্র ষ্টেটতা এসেম্বলী মীখল পাঙথোকপা লোইখ্রবা মতুং পার্টি অমত্তনা ষ্টেট লৈঙাক শেম্বগী পাঙ্গল লৈখিদ্রবা মতুং তোঙান-তোঙানবা পার্টি শিংগী লৌ পুথোক্লরকপা অদুনা মরম ওইরগা থারকখিবা কেসশিংগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ৱায়েলশঙ সুপ্রিম কোর্টনা হয়েং ৱারেপ অমা পীরগনি হায়রি। মরক অসিদা সিব সেনা-এন সি পি-কোংগ্রেকী এম এল এ ১৬২না মুম্বাইগী ৫ষ্টার হোটেল অমদা পুন্দুনা লৈঙাক শেম্বা ঙমগনি হায়বগী পাঙ্গল লৈরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহারাষ্ট্র এসেম্বলী মীখলদা সিট ২৮৮ লৈবগী মনুংদা সিট ১০৫ ফংখিবা বি জে পিনা মীখলগী মাংওইননা ষ্টেট অদুদা চহী ২০ হেন্না চুংশিন্নবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা সিব সেনাগী সিট ৫৬, নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিনা সিট ৫৪ অমসুং সিট ৪৪না কোংগ্রেসনা ফংখিবনি।

ষ্টেট অদুদা লৈঙাক শেম্ন বগীদমক্তা মথৌ তাখিবা সিট ১৪৫ পার্টি অমনা ফংবা ঙমখিদবা মরম্না বি জে পি অমসুং সিব সেনাগী চুংশিন্নখিবা ৱারেপনা লৈঙাক শেম্বা ইকোম কোম্না য়ারম্বনি। অদুবু সিব সেনাগী মায়কৈদগী ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টরগী ফম অদু মখোয়দা পীয়ু হায়বা ৱাফম অদু বি জে পিনা য়ারক্তবদগী চুংশিন্নবা তোক্লে হায়রকপদগী ইরাং লাকখিবনি।

সিব সেনানা নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি অমসুং কোংগ্রেস পার্টিগা চুংশিন্নদুনা লৈঙাক শেম্বা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোরকখিবা অদুগী ইরোইননা ঙরাং অয়ুক অঙনবা পুং ৫.১৭ ষ্টেট অদুদা থম্লকখিবা প্রসিদেন্টস রুল অদু গভর্ণর কোসিয়ারনা লৌথোক্লে অমদি নুমিৎ অদুগী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা মমাঙদা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ফদনবিস অমসুং এন সি পিগী অজিৎ পৱারবু মথং শীৎনা চীফ মিনিষ্টর অমসুং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইরে হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগী মায়োক্তা সিব সেনা অমসুং কোংগ্রেস অমসুং এন সি পিগী মায়কৈদগী সুপ্রিম কোর্টতা কেস অমা ফাইল তৌরকখিবা অদুগী মতুং ইন্না হয়েং ৱারেপ অমা পীগদৌরি।

মরক অসিদা ঙসি অথেংবদা সিব সেনা-এন সি পি- কোংগ্রেসকী এম এল এ ১৬২না পুন্দুনা লৈঙাক শেম্বগী চপ চাবা ফিরেপ লৌরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দিয়াগী ফাইনান্স মিনিষ্টরনা লোক সভাদা কোর্পোরেট টেক্স হন্থনবগী বিল ইন্ট্রোদ্যুস তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি): ইন্দিয়াগী ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারমনা ঙসি লোক সভাদা কোর্পোরেট টেক্স হন্থনবগীদমক্তা টেক্সেসন লোজ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৯ ইন্ট্রোদ্যুস তৌখ্রে।

ফাইনান্স মিনিষ্টর সিথারমনগী মায়কৈদগী লোক সভাদা কোর্পোরেট টেক্স হন্থনবগী অনৌবা বিল অদু পুথোরকপা অদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইকনমিগী খোঙজেল তপ্লিবা অসি ফগৎহন্নবগীদমক্তা টেক্সেসন লোজ (এমেন্দমেন্ট) বিল অদু পুথোরকপনি।

অনৌবা বিল অসিনা হান্না লৈরম্বা টেক্সেসেন লোজ (এমেন্দমেন্ট) ওর্দিনান্স, ২০১৯পু মহুৎ শীন্নবা পালির্য়ামেন্টতা পুথোরকপনি। অনৌবা বিল অসিনা হান্না কোর্পোরেট টেক্সকী লৈরম্বা টেক্স অদু চাদা ৩০ ওইরম্বদগী ২২দা হন্থহনবা পুথোরকপা বিল অমা ওইরি।

ঙসি ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারমননা থাঙ্গৎলকখিবা টেক্সেসন লোজ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৯ অদু মহারাষ্ট্র ষ্টেটকী ওইরিবা লৈঙাক শেম্বা ঙমদবদগী ইরাংদা ওপোজিসন পার্টিনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদুগী মাংওইননা ইন্ট্রোদ্যুস তৌবা ঙমখি।

মহারাষ্ট্রগী লৈঙাক শেম্বা ঙমদবগী মতাংদা পালির্য়ামেন্টতা পুখৎনরকখিবা ৱারোলশিং অদুগী মাংওইননা ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারমনা টেক্সেসন লোজ ইন্ট্রোদ্যুস তৌখিবা অদুগী ওইরোইননা ইন্টর্নেসনসল ফাইন্সেসিএল সার্ভিসেস সেন্টর্স (আই এফ এস সি) ওথোরিটি বিল ২০১৯ অদুসু ইন্ট্রোদ্যুস তৌবা নংহৌখি।

নীংশিংবা য়াই, চহীসিগী সেপ্টেম্বর ২০দা লৈঙাক অসিগী ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরিবা নিরমালা সিথারমননা কোর্পোরেট কম্পেনিশিংগী মায়কৈদগা লৈরিবা চাদা ৩০গী টেক্স অদু ২২দা হন্থদুনা হান্না লৈরম্বা কম্পেনিশিং অদুগী থবক থৌরমশিংদা খুদোংচাবা অমা পীনবগী কাংলোন থমখ্রবনি।

মিনিষ্টর অদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী টেক্সেসন লোজগী মতাংদা হান্না লৈরম্বা কাংলোন অদু নৌনা শেমদোক্ল বগী খোঙথাংশিং পুথোকখ্রবসু পার্লিয়ামেন্টনা মহাক্কী ৱাফমশিং অদু খন্ন-নৈনরবা অয়াবা পীবদি মতমদি ফংখিদে।

কুমজা ১৯৬১দা লৈখিবা ইনকম টেক্স এক্ট শেমদোকপা (এমেন্দ তৌবা)গী ওর্দিনান্স অদু ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টির্কল ১২৩ (১)গী মখাদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা শেমদোকপা লৈখ্রবনি। মদুগী মখা তারকপদা লোক সভাগী মেম্বরশিংদা ফাইনান্স মিনিষ্টর সিথারমননা পুথোকখিবা ৱারোলশিং অদু লৈখাই তাবা ঙমখিদে।

# জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা তংদু লৈতাবগী ফিভম ৱাংলি, অকিবগী ৱাখল্লোল লৈরি ঃ য়াস্বন্ত সিনহা



স্রিনগর, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি): জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা সিভিল সোসাইটি মীওই ৫না শাবা দেলিগেসন অমনা চৎখিবা নুমিৎ মরিনগী খোঙচৎ অদুদা মফম অদুদা তংদু লৈতাবগী ফিভম ৱাংলি, অকিবগী ৱাখল্লোল লৈরিবা হায়না খোঙচৎ অদুগী লুচিংবা মমাঙদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরল্লবা য়াস্বন্ত সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

য়াস্বন্ত সিনহানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কাশ্মির তম্পাক্তা সিভিল সোসাইটিগী অপুনবা দেলিগেসন অদুনা নুমিৎ মরিনিগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎখিবা অদু চাওনা মায় পাকখি। অদুবু তম্পাক অদুদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা তংদু লৈতাবগী ফিভম ৱাংলি হায়না ফোঙদোকখি।

কনসর্ন সিটিজেন্স গ্রুপ (সি সি জে)না হায়না মিংথোনবা সিভিল সোসাইটিগী মীওই ৫না শাবা দেলিগেসন অদুনা কাশ্মির তম্পাক্তা চৎখিবা নুমিৎ ৪নিগী খোঙচৎ অদুদা মখোয়বু সিক্যুরিটি পার্সনেলগী মায়কৈদগী থেংখাং কয়াদা অপনবা পীখি।

থৌদোক অদু লৈঙাক্লা তম্পাক অদুদা লৈরিবা অশেংবা ফিভম অদু লোৎশিন্নবগীদমক পায়খৎলকপা থৌওং কয়াগী মমি তাই হায়না য়াস্বন্ত সিনহানা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মির হায়না খঙনরম্বা ষ্টেট অদুদা হান্না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পীরম্বা স্পেসল ষ্টেটস অদু লৌথোক্তুনা ষ্টেট অদু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা থমখিবা অদুনা ষ্টেট অদুগী মীয়ামদা য়াম্না চাওবা সাইকোলোজিকেলগী ওইবা নুংঙাইতবা অমদি অকিবগী ফিভম লৈরি হায়খি।

# অসামদা মীওই ৭ শীখ্রে, ২০ হেন্না অশোক-অপন নংখ্রে


দিবোই/হাইলাকান্দি, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি): অসামগী তিন্সুকিয়া অমসুং হাইলাকান্দি দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি থোকখিবা তোঙান-তোঙানবা লম্বীগী এক্সিদেন্ট অনীদা মীওই ৭ শীখ্রে অমসুং ২০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে হায়না পুলিসকী ওফিসল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অদুনা মখা তারদুনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা তিন্সুকিয়াগী পৱাই লম্বেলদা মীয়াম পুবা ভেন অমগা কোইলা পুরকপা ট্রক অমগা থেঙ্গাইনবদা ভেনগী দ্রাইভর য়াওনা মফম অদুদা মীওই ৩ শীখি। অদুগা অতোপ্পা মীওই ৪না অশোক অপন নংখি হায়না পুলিসকী পাউ অদুনা মখা তারি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি ভেন দ্রাইভর বিসু দাস অমসুং জয়রাম সাহ জালেশ্বর গিরি অমদি উর্মিলানি। অদুগা থৌদোক অদুদা শোকখিবা মীওইশিং দ্রিভুগরগী প্রাইভেট হোস্পিটালদা লায়েংলি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা হাইলাকান্দি দিষ্ট্রিক্টকী ভাইসেরাগী মফমদা পেসেঞ্জর ১৫ পুরকখিবা গাড়ি অমা লম্বীগী নাকলদা ব্রেক ফাবা ঙমদনা মথক মখা ওনখিবনা মরম ওইরগা মফম অদুমক্তুদা মীওই ৩ শীখি। অদুগা অতোপ্পা মীওই ১২না অশোক অপন নংখি হায়না পুলিসকী পাউ অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১৫গী স্কুলশিংদা চাদা ৯০ ইন্টর্নেটকী খুদোংচাবা ফংদ্রি



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি): ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১৫দা লৈরিবা স্কুলশিংদা ইন্টর্নেটকী খুদোংচাবা চাদা ৯০ ফঙবা ঙমদ্রি হায়না লোক সভাদা ঙসি মিনিষ্টর ওফ হ্যুমেন দিভলপমেন্ট রামেস পোখ্রিয়ালনা ৱাহং অমগী পাউখুমদা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী মীশিং য়াম্না লৈরিবা ষ্টেট অমা ওইরিবা উট্টর প্রদেশ লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা ক্লাস সিক্সতগী টেন ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা মহৈরোইশিংনা চাদা ৯৭.৬৮ ইন্টর্নেটকী খুদোংচাবা ফংদ্রি।

অতোপ্পা মীশিং য়াম্বা ষ্টেটশিংগী মনুংদা কর্নাটকা, ওরিষা অমসুং বিহারদনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা ইন্টর্নেটকী খুদোংচাবা অদু মথং শীৎনা চাদা ৩.৭৫, ৮.৭ অমসুং ৩.০৭ গী চাংচৎতা ফংবা ঙল্লি।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী কোনুং দিল্লিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা লৈরিবা মহৈরোইশিংদা পীরিবা ইন্টর্নেটকী খুদোংচাবা অসি চাদা ৯৯.৯১ লৈদুনা ফিভম ফরি। চানিদগরদা লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী ওইনা ইন্টর্নেটকী খুদোংচাবা অসি চাদা ১০০ ফংহল্লি। অদুগা কেরালা ষ্টেটকী ওইনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা চাদা ৮৪.০৭কী ইন্টর্নেটকী খুদোংচাবা লৈরি হায়খি।

# লোকপালনা থা ৮গী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা কমপ্লেন ১০০০ হেনবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৫ (এজেন্সি): ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওইনা শেঞ্জা থুমজা লৈহন্দনবগী লৌখৎলকপা খোঙথাংদা শেমখিবা লোকপালনা চহীসিগী সেপ্টেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা মায়কৈদগী থাঙ্গৎলকখিবা কমপ্লেন ১০০০ হেনবগী থবক পায়খৎপা ঙমখ্রে হায়না লৈঙাক্কী পার্সনেল মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

লোকপালবু থবক ওইনা লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোক্লনবগী নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্লা অহেনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না চহীসিগী সেপ্টেম্বর থা লোইশিল্লকপগী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈননা থাঙ্গৎলকখিবা কমপ্লেন ১০০০গী ৱাহন্থোক পীখ্রে হায়রি।

লোকপালগী ওইনা অকক্লবা শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈনবা কমপ্লেনশিং অদু থাঙ্গৎলক্লবগী মরিক চুম্না মেনশিনবা য়াবা ফোর্মেট অদু শেম্বা লৈত্রি। অদুবু লোকপালগী তোঙান-তোঙানবা ওফিসশিংদা থাঙ্গৎলকখিবা কমপ্লেনশিং অদু পুন্না য়েংশিল্লুবদা চৎলিবা চহীসিগী সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা কমপ্লেন ১০৬৫ ফংখি। মদুগী মনুংদা কমপ্লেন ১০০০ থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমখ্রে হায়না লোকপালগী দেটাগী মতুং ইন্না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াই, চহীসিগী মার্চ ২৩দা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা লোকপালগী চেয়ারপার্সন ওইবগী থৌদাং অদু জষ্টিস পিনাকি চন্দ্র গোসপু ৱাশক লৌহনখিবনি।

HL-B/5823/26,27

## ꯄꯥꯏꯂꯁ/ PILES কী ওইনা মণিপুরদা অতাঙবনি

ওজা Kabiraj Abdul Hak, Wangoi SBI Awang দা লৈবগী মফমদা চৎতুনা ওজাগী পাউতাক্কী মতুং ইন্না হীদাক চাবা অমদি তৈবা তৌবদগী খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওরম্বা, শৌজদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাকৎচবা, চক-চক থিনবা, খোঙ হাম্বা মপুং ফাদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ তাবা, ইনখৎত্রি ফাওবা চংউ য়াদবা, গ্যাষ্ট্রিক, খ্বাং নাবা খুদিংমক হৌজিক্তি মপুং ফানা ফজরে, অনাবা লৈতবগুম তৌরে। অদুক্কী মতিক নুংঙাইজে। মরম অসিনা ওজা Abdul Hak পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ওজাগী Contact No. দি 8794429681, 8014623756 নি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

HL-P/5090/25 *থাগৎচরিবা :* **M. Achou, Sagolband Tera**

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; LILONG CHAJING, IMPHAL WEST**

**Ref :- Mut. Case No. 500/SDC/IW/LC of 2019**

1) Maibam Karankumar Singh S/o (L) Khamba Singh of Lilong Chajing Mairen Khong Leikai.
2) Maibam Suraj Singh S/o (L) Khamba Singh of -do- ...*Petitioners*

-Vs-

(Late) Maibam Khamba Singh S/o (L) Tomba Singh of Lilong Chingkhong Leikai. ...Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Lilong Chajing the 25th November, 2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস দি সী লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৭০ - চজিংগী অরিবা পাট্টা নং ৪৪, অনৌবা পাট্টা নং ৫৩৮, দাগ নং ৪৩৪, এরিয়া ০.৫৮০০ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মাইবম খম্বা সিংহ পী: মৃ: তোম্বা সিংহ সাং লিলোং চজিং চীংখোঙ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিংদা লৈরিবা লৌফম অসি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা লৌফম অসিগী মরীদা আপতি তৌনীংবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা 'নোটিশ' অসিনা পাউচে অসিদা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি তৌরদ্রগদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থজগনি, মতুংদা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,** Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/5365/26

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 903/SDC/SW of 2019**

Parties :- Salam Bala Devi W/o (L) S. Bharot Singh of Kangla Sangomsang Awang Leikai ...Petitioner

- Vs -

(Late Pattadar) Salam Ibotombi Singh S/o (L) Khoimei Singh of Kangla Sangomsang ...Opposite Parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Sawombung, the 25th Nov. 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ঈ ঈ তহশিলগী খুল নং ৩৪- শঙ্গোমশঙ পাট্টা নম্বর ১৭৯ (অরিবা), ১৫৯ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১০৫৪ মোট এরিয়া ০.৪৬ একর চাউবা লৌফমগী পাট্টাদার সলাম ইবোতোম্বী সিংহ পীং মৃ: খোইমৈ সিংহ সাং কংলা শঙ্গোমশঙ অসি মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত্যু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আপতি পীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

HL-P/5367/26 ***Sd/-*** Sub-Deputy Collector, Imphal East, Sawombung

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Mut. Case No. 1560/SDC/NBL of 2019**

Angonjambam Bishwarup Singh S/o A. Bira Singh of Kongkham Mayai Leikai. *-Petitioner*

-Vrs-

(Late) Angonjambam Abera Singh S/o (L) A. Thambou Singh of Kongkham Mayai Leikai. *-Pattadar*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 25/11/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 22 - Naorem Patta No. 309/315 (Old), 9 (New), Dag No. 1358, Area 1.21 acre of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

***Sd/- S. Dhiren Singh***
***Sub-Deputy Collector, Nambol***

HL-P/5366/26

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM**

**Ref :- Mutation Case No. 751/SDC/Oinam of 2019**

Nameirakpam Thoibi Devi W/o (L) Lashmon Singh of Irengbam. ...Applicant

-Vs-

(L) Nameirakpam Lashmon Singh S/o N. Ibotombi Singh of Irengbam. - O.P. Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Oinam, the 25th November, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২৯- ইরেংবমগী পাট্টা নং ১১১৬ (অনৌবা), দাগ নম্বর ৩৯৭/১৯৩৯, এরিয়া একর ০.০৫৫ চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/5154/26 ***Sd/-*** Sub-Deputy Collector, Oinam

**Spot Painting Competition on 1st Dec, 2019/ Selfie & Short Video competition on FB**

The Manipur State AIDS Control Society on the occasion of the **World AIDS Day 2019** is organising a State level **Spot Painting Competition** on the theme **"Communities make the Difference":**

**Date of competition: 1st Dec, 2019 (Sunday) from 8.30 am**

**Category I:** Class: V - VIII **Category II:** Class: IX - XII

**Interested students can submit their names through e-mail to: *iecmanipursacs@gmail.com* or report along with their I-Card issued by its respective schools on the day of competition at the venue**

**Venue: Banquet Hall, 1st Bn. Manipur Rifles Ground**

**Cash Prizes for Painting (Category I & II)**

1st prize ---------------------------------- ` 5000
2nd prize ---------------------------------- ` 3000
3rd prize ---------------------------------- ` 2000
(4th-6th position) ` 1000 each

1. **Facebook Video Competition** on the theme **"Communities make the difference".** The competitors will speak on the theme and record it on their mobile phone. Duration of the speech is 2 minutes. The same video will be uploaded on their FB accounts by tagging Manipur State AIDS Control Society on FB. Cash prize of ` 5000/- will be given to the video which is most relevant with the given topic and gets maximum likes.

2. **Red Ribbon Selfie Competition** – A Selfie Competition on FB where a selfie should be taken along with a Red Ribbon and uploaded on one's FB account and tag Manipur State AIDS Control Society. Selfie which get the most likes will be awarded a cash prize of ` 5000.

**Prizes will be distributed at the State Level observance of World AIDS Day on Sunday, 1st Dec, 2019 at 11.30 am at 1st Bn. Manipur Rifles ground.**

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

# SANGAI TUTORIAL

Kwakeithel near Imphal College,Imphal

ADMISSION OPEN

**REVISION COURSE for**

**CLASS -XII Sc. (COHSEM)** & **CLASS -X(BOSEM)**

4th Nov. 2019 (4:00/4:30 p.m. - 7:30) 5th Dec. 2019 (3:30 p.m. - 7:30)

**HSE Result 2019**

19th POSITION HSE 2019



Rakesh Ningthoujam

**FOUNDATION COURSE for CLASS -X(BOSEM)**

9th Dec. 2019 (4:30 p.m. - 7:30)

**HSLC Examination Result 2019 at a GLANCE**

13th POSITION HSLC 2019



Nongmaithem Zeno

17th POSITION HSLC 2019



Jessica Wahengbam

23rd POSITION HSLC 2019



Kahajam Jaya Devi

24th POSITION HSLC 2019



Rushely Laishram

**Faculties :**
Former Head Examiner, Assitant Head Examiner, Co-ordinator, Board Examiner and Lecturers from reputed Higher Secondary School.

**Special features :**
→ Mock-Test Series (Sunday and provide four Question Set for each subject).
→ We provide printed probable questions and answers.
→ Hostel/Boarding for Boys &Girls. → Van Services

Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol Contact : 8413855751

(HL-B/4082/14/10-10/01(alt